থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঙসি য়াওশঙ নুমীৎনি

ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী খুঙ্গংগী থৌরম, য়াওশঙ-নুমীৎ মঙানিসিদা নত্তনা অতে নুমীৎ অমত্তদা তাবা ফংলরোইদবা ঈশৈ অমা লৈ... 'কুমগী মতম ওইবনা/হোরিবোল য়াওশঙ মৈ-থারে... শাবীনা শানৌ পূন্দুনা/হোরিগী কোলোয় শোল্লসি'...। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ঐখোয়গী ইমা-ইনে-ইন্দোলশিং পূল্লগা ধোলক অমগী তাম্থাদা 'হোরিবোলা, হে হোরি/কাইদনা কাইদা চোংশিদো' হায়না অমনা ঈশৈ হল্লগা, ময়াম্না পুল্লপ খুল্লগা ঈশৈ শক্তুনা খুৎশম্লনা শাখিবা 'থাবল জগোয়' (থাবল চোংবা)গী শক্তম অদু ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। হৌখ্রবা মতমগী, অকাউপরৈ চনখ্রবা নীংশিং-শক্তম ওইনা লৈহৌরে। অহিংবা-কলা ওইদরে। মতম অমদা অহিংবা-কলা ওইনা লৈরম্বা য়াওশঙ-কুম্মৈগী 'থাবল চোংবা'- ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চখুরকপা মতৌ, 'ত্রেদিসনেল ভেল্যু'গী মশক মাঙখ্রবা, আর্ট ওইদ্রবা আর্ট-ফোর্ম অমা লৈহৌরে। দ্রম, সাইদ-দ্রম, খোংনবা ম্যুজিকল ইন্সত্রুমেন্ট অহুমগী অপূনবা খোম্থোক্তা তাম্থা নাইনা চোংদুনা শারম্বা জগোয়-ঙসিদি ইলেক্ট্রোনিক ম্যুজিক্কী হান্না রেকোর্দ তৌথোক্লবা পিচ অমা পেন-দ্রাইভ নৎত্রগা মেমোরি কার্দ অমদা ত্রান্সফর তৌদুনা পুরক্লগা এমপ্লিফাইদ-সাউন্দ-সিষ্টেম অমদা খোংলগা চোংবা থাবল-পর্ফোর্মর আর্টিষ্ট ওইরিবা নুপা-নুপীশিংদুগী পর্ফোর্মেন্সন ম্যুজিকল-পর্ফোর্মরশিংদা ইথিল পীদ্রবা, লিভিং আর্ট ওইদ্রবা কলা অমা ওইরক্লে।

মণিপুরগী য়াওশঙ-কুম্মৈগা কলা'গা লৈনবা মরী অসি ঙাইহাক পূঙ্গোয় নাথৈখিসি। লমদমসিগী 'য়াওশঙ'গা হিন্দুশিংগী 'হোলি'গা করম্না অমত্তা ওইখিবা...ৱারম অসি খন্নবা অদুক নুংঙাইনি, হৌখ্রবা মতমগী নীংশিং লমদমদা কোয়রুসি। য়াওশঙ অমদি হোলি-অনীসি করিগুম্বা মওং অমত্তদা মরী লৈনদে। য়াওশঙ-প্রভু যিশু পোকখিবা য়াওগী শঙ (য়াওশঙ) অদু নত্তে। অরিবা মতমগী মমাঙদা মীতৈশিংগী চৎনবী অমা ওইরম্বা, নুপীনা অঙাং উনরমদাই'দা মশানা হীপ্লম্বা ফমুংদুমক্তদা অঙাং উনবা চৎনরমদে। তোখায় য়ুম (য়াওং-শঙ) অমা শারগা, য়ুমদুদা অঙাং উনবই থবক পাঙথোক্লরম্মী। লায়রবা, মীচমগী য়ুমশিংদনা অনৌবা মোম্পাক অমা তূরগা, তোখায়বা কা অমদা। তরুক্কি ইপান-থাবই থৌরম পাঙথোক্লগা, য়ুম নৎত্রগা মোম্পাক অদু মৈ থাদোকপা-চৎনবী অমা ওইরম্মী। লূবা-নানবা, হকশেলগী থবক-থৌরমগী ৱাখল লৈত্রিঙৈদুদা চৎনরম্বা থৌওং অমনি- অঙাং অমা পোক্লবা, য়ুম অদু মাঙলে হায়না লাউথোকপা... য়ুম্মাং-পাউ হায়নবা! অদুঙৈ শলাইরেন শিদবা অমসুং লৈমরেন শিদবী অনীগী মপারী নোংদা লাইরেন পাখংবা ফংজখিবা হাক্তক্তা, হরাও মথোয় কারবা মনাই-মসন-প্রজাশিংনা য়াওং-শঙ অদু মৈ থাদোক্লগা, মৈদুগী অকোয়বদা শাখিবা জগোয়, লমতা থাগী থানিন-থাবল মরক্তা চোংদুনা শাবা জগোয়নি হায়দুনা 'থাবল চোংবা'- কৌনখিবা ওইরম্লি। ওথোরেটিটিভ ওইবা লাইরিক ওইবা লাইরিক অমা থেংনদবনা চপ-চাবদি হায়বা ঙমদরে। য়াওং-শঙ (য়াও-শঙ) মৈ থাবগী থৌরমদু করম্না 'হোরিবোলা য়াওশঙ' ওনখিবা? খন্থনীংঙাই ওইরিবদি মদুনি।

লমতা থাগী থানিন নুমীৎ, 'য়াওশঙ মৈ থাব'গী থৌরম পাঙথোক্লকপদু, মৈদিংঙু পামহৈবা সনা হাক্তক, হিন্দুনাইজ তৌখ্রবা মীতৈ খুন্নাই হরি ভক্ত/বিষ্ণু ওইহন্নবা নিংথৌকোনগী অঙম অথৌশিংনা অকনবা থৌরাং পায়খৎলকখি। থৌরাং অদু পামহৈবগী তুংদসু হেন্না কন্না চখুরকখি- চৎনবী, নাত হোংহনবতা নত্তনা লাইনীং-লম্বী থাজবা পুম্বা হোংহনবা। পারী-পুরী-লীক্লম-লীনবা ৱারী পূম্বা মুখৎলগা বেদ-বেদান্ত -হিন্দু মিথোলোজিগী ৱারীনা মহুৎ শীনজিনবা। ৱারী-লীক্লম শেমদোক্লগা, তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা ইরমবু মীরম ওন্থোকখি, চীংনুংহুৎকী ৱারীবু শিব-মহাদেব ওইহনখি... মহাভারতকী ৱারীদসু কংলৈপাক-মণিপুর হাপচীনখি। য়াওশঙ-মৈ-থাব'সু 'হোলিকা দহন'গা অমত্তা ওইনা পুনশিনহনখি। হিরন্যকশ্যপ'কী মচন-নুপী, মৈ-চঙদবী-লাই'গুন্বী, নাৱা ওইরিবা হরি-ভক্ত 'প্রহ্লাদ'বু হিংনা মৈ থানবা মতমপাক্তা পল্লগা মৈগী কুন্দা শেল্লুবা, 'অগ্নিদেব'না নাৱাদুবু কল্লগা 'হোলিকা'বু ঊৎ ওলহনখিবা থৌদোক্তুবু/ৱারীদুবু নীংশিংদুনা 'ফালগুন-পুর্ণিমা' নুমীৎতা অচৌবা মৈজাও শেমদুনা 'হোলিকা'ই মিতম মৈ থাবা, হরিগী মিংখেঁ শক-শোনবই থৌরম (হোলিকা দহন)গা তোৎশিন্নদুনা 'হোরিবোলা য়াওশঙ' ওন্থোকখি। 'হোরিবোলা' হায়বদি 'হরি শোল্লু' হায়বনি। বেঙ্গোলি খোম্থোক্লি। হোরিবোলা হায়রগা 'হে হরি' হায়না খুম্নরিবদুনি। 'হোলি' হায়বা থৌরমসি নোংপোক ভারত'তা ফত্তববু মাঙহনবগী সিম্বোল ওইনা, মচুগী কুম্মৈ ওইনা হরাও-তয়াম ফোঙদোকপা কুম্মৈ মখল অমনি। 'হোলিকা দহন'গী নোংঙানবা, অয়ুক অঙনবদা 'হরি-পুজা' তৌরগা অঙৌবা ফিজোল শেৎলগা, ঙৌরোক ঙৌবা ফিজোলদু মচু শঙলবা ঈশিং হৈজিন্নদুনা মায়দা মচু তৈশিন্নদুনা, য়েক্লববু মরুপকুম্না লোয়নবা, কল্লক য়েংথি কাউথোক্লবা শেংলবা নুমীৎ অমনি। ৱাটর-গন, পিচকারি কাপ্পদুনা রাধা-কৃষ্ণ অনীনা মচুগী কুম্মৈ শান্নখিবা ৱারী অদু নীংশিংদুনা, মীতৈশিংনা নুমীৎসিবু 'পিচকারি নুমীৎ' কোলোয়নৈ। অদুবু, লমদমসিদদি নুমীৎ'তুনসু মদোমদে। থোৎলবী, নৌজরিবী কনাগী তঙাংবী/তঙৌবী খজাইদুদা মচু খুবাম তৈশিনবা, নুপা মশেন অমুবা থাউথী তৈনবা, অমোৎপা ঈশিং চাইশিন্নবা, য়াওশঙ কোয়বই মিং-লৌদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লূপ্লুবা... অসিনচিংবা তৌহৈদবা থবক তৌদুনা নুমীৎ মঙানি অরেম্বদা মাঙহনবা- চহী কয়াদইনি উরক্লিবা।

হোংলক্লিবা য়াওশঙগী অথীবা মশক অসি হোংদোক্লবা জন-নেতা ইরাবতকী মতমদগী হোৎনরকখি। য়াওশঙ -স্পোর্টস হৌদোক্তুনা, ঈরাং তৌদুনা লেল্লম্বা য়াওশঙ (হোলি) নুমীৎ মঙানিদু শান্ন-খোৎনবদা পূক্লিং থিংজিনখিনবা হোৎনবনি। ইরাবতকী হোৎনজমল মহয়নি- ঙসি, মণিপুর তম্পাক শীনবা থুংনা, লৈকায় লৈকায়গী ক্লবশিংনা শীন-লাঙবা 'য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল' ঈহৌ অমগী শক্তম লৌরক্লিবা। অদুবু, লাইবক থীবনি-য়াওশঙ স্পোর্টস, শান্নবগী ঈহৌ অমা ওইরকপগী মহুৎ মচুগী কুম্মৈ য়াওশঙগী ঈরাং অদুদা ফেনজিল্লকপা, অতোপ্পা অয়াকপা মচু অমা ওইরকখি। ওলিম্পিক গেমস হৌরমদাইগী মৈরা চুখৎনবগী শেংলবা মৈ, গ্রীসকী ওলিম্পিয়াদগী লৌরুবগী মোদেল অদু লৌদুনা, মণিপুরগী য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী মৈ চুখৎনবা মৈ, কংলা-লাইফমলেন'দগী লৌবগী চৎনবী অমা হৌদোক্লকখি। কনানা ইহান হান্না হৌদোক্লকখিবনো হায়বগী ইনফোর্মেসনদুদি খঙদবনা পঞ্জদ্রে।

য়াওশঙ-স্পোর্টস-অশেঙবা শান্নবগী স্পিরিত অদুদগী মতম-লেনবই মশান্না, 'লিজর-স্পোর্টস'তনা হেন্না মীৎয়েং চঙবা কুম্মৈ অমনি। কান্নদবা য়াওশঙগী ঈরাং-ফলাং ময়ামদুগী মহুৎ-শীনবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইবা ঙমদে হায়বসিমদি নাখৈ শেংলে। হান্নদগী চখুরকপা য়াওশঙগী ঈরাংদুসু হন্থদে, শান্নবগী ঈরাংসু তপ্পা তপ্পা হেনগৎলকই। থাজদ্রগা য়েংবীয়ু- ঙসি অয়ুক পুং নিপান মাপনগী কংলাগী অকোয়বদা য়োল্লগদবা, মৈরা লৌবা লাকপা শান্নরোয়শিং-অউববু মীৎ থকহনবা। নোং-ঙাল্লকপা, নীনি চনবা নুমীৎ'তগী মায়কৈ খূদিং নিল্লনি... ইন-আউত... আউট...আউট-ইন'... খ্বাইদই পোপ্যুলার ওইবা য়াওশঙ-স্পোর্টস মশান্না। অচৎ-অওক, খঙন-চান্নবদই শেল খায়রগা চাক-চানবা, থাবল চোংবা, লীলা তৌবা অদুসু অদুম উখিনি।

# মৈখু শীজিন্নবনা মীরোল্লবী

লৌশিং পুক্কৈ

## নুপীশিংনা পূক্লুংগী অঙাং শিহন্নবগী মরম ওইহল্লি



মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা মশা মথন্তা খুদোংথিবা থোকহঞ্জবা নত্তনা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদসু খুদোংথিবা থোকহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

মিচিগানগী সাউথফিল্ডদা লৈবা প্রোবিদেন্স হোস্পিটালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজিদা চ্যেরমেন ওইবা রোবার্ট ৱেলচনা হায়খি, পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা খ্বাইদগী খুদোংথিবা থোকহনবা য়াবা থৌওংদি মমানা মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নবা হায়বসিনি।

মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা থা শুদবা অঙাং পোক্লকপা য়াই, নৎত্রগনা মমাগী

পুক্লুংদা অদুম্মক শিবসু য়াই। ইশম-শম্না হায়রবদা দাইবেটিস নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবদগীদি মৈখু শীজিন্নবনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ডা. ৱেলচনা হায়খি, মীরোনবী নুপী অদু দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নৎত্রগা অরুবা লায়না অমনা নাবা তারবদি হীদাক লাংথক থারগা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। অদুবু মৈখু শীজিন্নবগী মতাংদদি লৌখৎপা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৈতে।

চুরুটকী মৈখুদা সাইনাইদ, লেদ অমদি কেন্সর থোকহনবা য়াবা কম্পাউন্দ ৬০ রোম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেমিকেল ৪০০০ রোম হেন্না য়াওই। মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নরবদি হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি ঈগী ঈচেলদা তীনখ্রগা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাং য়ৌহনখি।

ভর্জিনিয়াগী রিচমোন্দদা লৈবা হেনরিকো ডোক্তরস' হোস্পিটালদা মেটর্নেল ফিটেল মেদিসিন ফোর কম্মনৱেল্ঠ পেরিনেটেল এসোসি-য়েটসকী দিরেক্টর ওইবা জেমস খৃষ্টমাসনা হায়খি, চুরুটকী মৈখুদা য়াওবা নিকোটিন অমসুং কার্বোন মোনোওক্সাইদনা মীরোনবী নুপী অমদি পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। নিকোটিন অমসুং কার্বোন মোনোওক্সাইদনা অঙাংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবদগী পূক্লুংদা লৈবা অঙাং শিবা, মতম শুদনা অঙাং পোকপা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা শুদবা অঙাং পোকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

নিকোটিননা ঈ উতোং খুজিলহনবদগী ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোকহন্দুনা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহন্দবনি। ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদবা হায়বসি পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। নোংমদা চুরূট মচৈ অমা অনীদং থকপা তারবসু পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

মীরোনবী নুপীনা নোংমদা চুরূট উপু অমা থকপা মতমদা পুক্লুংগী অঙাং অদু কনাগুম্বনা খুদোংচাদবা মায়োক্লদনবনি হায়দুনা অপীকপা অঙাং পোকপা পাম্লে। অদুবু মমাগী পুক্লুংদা মপুং মরৈ ফানা শেমগৎখিদ্রবা অঙাং অদু তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি। মমাগী পূক্লুংদা মপুং ফানা শেমগৎখিদ্রবা অঙাং অদু লংসসু মপুং ফানা শেমগৎখিদ্রবা মরম্না তাইবঙদা খোঙদারক্লবা মতুংদা মশা মথন্তা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমজদে। মরম অদুনা মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা তারবদি পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং অদু অজমা নারকপা য়াই অমসুং সদন ইনফেক্ট দেথ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস) গী রিস্ক শরুক অহুমলোম হেনগৎহল্লি।

য়ু এস সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপীনা মীরোনবা হৌগৎলকপা মতমদা মৈখু শীজিন্নরবদি পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদু থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৭০ রোম হেনগৎলকই। কুমজা ১৯৮১ দগী হৌরগা কুমজা ১৯৮৯ ফাওবা বাল্টিমোর অমদি ৱাশিংটন দি সীদা পোকখিবা অঙাংশিংগী ফীভম য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

মমা অমনা মচাগী মফমদা তম্বা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা খুদোলনি খল্লগা মীরোনবী নুপী খুদিংমক্না মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে।

'ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকো-লোজি' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হান্না মৈখু শীজিন্নরম্বা তারবসু মীরোনবী নুপীশিংনা হৈনবী অসি থাদোকপা মতমদা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# এম এল এ শান্তিবু তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):
১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা এন পি পিগী মীরেপ ওইদুনা ২৭-মোইরাংদগী মায় পাক্লবা এম এল এ থোঙাম শান্তিবু ফেলিসিটেদ তৌবগী থৌরম অমা ঙসি মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা এন পি পি মোইরাং ব্লোক্কী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ ১২দা পাঙথোরক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপালিটিগী ইলেক্সনদা এন পি পিগী মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম অদুদা এন পি পি মোইরাং ব্লোক্কী প্রসিদেন্ট পি ঐচ মেঘ, এন পি ৱাই এফ মোইরাং ব্লোক্কী প্রসিদেন্ট সি ঐচ রোবেন, এন পি পি মোইরাং ব্লোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এম উত্তমকুমার অমদি ব্লোক অসিগী পোলিটিকেল এফেয়র্স কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, টি ঐচ শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, মীখলদা ঐহাকপু মায় পাক্লবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ৱার্করশিং অমদি ঐহাকপু থাজবীদুনা মমল য়াম্লবা ভোট পীবীখিবা মোইরাং এ সীগী মীয়াম পুম্নমক্কী অচৌবা লমন তোনশিঞ্জরে। ঙসি এম এল এ অমা ওইরবা মতম অসিদা ঐহাক্না শোয়দনা অঙম্বা থাক্তা মীয়ামগী থৌগল তৌগনি। চহী মঙা অসিনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা লোইরগে হায়বদি নত্তে। ঐখোয়না ফোঙখিবা ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০৩৭ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা শোয়দনা হোৎনগনি। মোইরাং এ সীগী মীয়াম্না থৌদাং লৌবীদুনা ভোট কাহনবীরকপগীদমক মীয়ামগী লমন শীংবা ঙম্নবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐহাক্না মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম লৈথোক্লগা খক চৎলোই। ঙসিদি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ ওইরবা মতম অসিদা মীখলদা ঐগী মায়োক্তা লৈখিবা মীয়ামশিংগীসু অদুমক চপ চানা থৌগল তৌগনি। খেন্নবা থমদনা পুম্নমক্কী হোৎনগনি। য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা মণিপুর অমদি মোইরাংগী মীয়ামশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা মীখল মমাঙদা তোঙান তোঙানবা পার্টিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনা অমনা অমবু চৈনখিবা ময়ামদু কাউথোক্লসি। ঈংনা তপ্পা মরা চেৎনা পানবা মণিপুর অমা অমদি চাউখৎপা মোইরাং কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহল্লসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# করাম শ্যামবু মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):
ইরমদম কংলৈপাক অসিবু শু-নোম্বা, মীপাল তাঙদবা ইরমদম অমা ওইনবা হোৎনজরিবা কংলৈ ইকনমিক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো)দা ৱাখল লৌশিং, পাঙ্গলগী মতেং পাংবীরিবা লংথবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরবা করাম শ্যামবু নৌনা শেমগদৌরিবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর অমগী ফম পীবীয়ু হায়না কেদোগী সেক্রেটরি টি ঐচ সুরচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলদুনা মখা তারদুনা হায়, করিগুম্বা মীয়ামগী মতেং পাংলিবা অমদি ইরমদম অসিবু চাউখৎপা, শুবা নোম্বা কনবা, মীপাল তাঙদবা ইরমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা মহাক্না অঙম্বা মতেং কয়া পাংখিবগা লোয়ননা পায়খৎখিবা থবকশিং অদু মিনিষ্টর অমা ফংলবদি অমুক্না হেন্না মায় পাকপা ওইগনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৩।২০২২ ইং, ইরাই; নুংথিল পুং ১২.৪৮ ফাওবা লমতাগী থানিলনি, মতুংদি ১৬নি পানগনি।

**মেষ:** নীংবা থুংবা, থৌনা ফবনা লায়না থৌপাঙবা, ঙাং-শকপদা পকচবা অমদি মীনা ঈকায়খুম্নবীবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগা পুনবা থবকশিং চাওনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** লন চাওখৎপা, তুংগী পোরম য়াৎপা হৈবা, অরং-অরাক ফংবা য়াবা অমদি নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। হান্নগুম্না অঙম্বনা য়েংশিনবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নুংঙাইবা পাউ তাগনি, মহু চাওবনা তাথিবা লৈরম্বা ফরনি, মীয়াম্না চানবীবা অমদি ইচঙ থৌবগী কান্নবা ফংগনি। লৌশিং চাওবনা নুংঙাইবসু হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, অনৌবা ৱাখল্লোন্না উপায় ওইবা থোইনা কান্নগদবা লৈ অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মায় পাক্কনি। অফবা মফম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** মরুপ মপাংনা লোয়নবা পামগনি, অফবা মরুপসু ফংগনি, মতাং চারদি থৌনা ফুদোকপনা অশিংবা তাগনি। থিবা হুম্বা কনবা অমদি অচুম্বনা লাকচবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** হরাওবা নুংঙাইজবা, পল্লম্বা শেল-থুম নত্রগা মীচঙনচিংবা ফংজবা অমদি থেংলপ্না মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। হুরানবনদি মাঙহনগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** ৱাখল খরা লাঙবা, মরুপ মপাং লোয়নবগী নুংঙাইবা, মীনা লাকচবা ঙল্লোইদবা অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগদবা নুমিৎনি। মহু চাওবদি চঙই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** নীংবা থুংগনি, শেল-থুমগী লমদসু চাওনা কান্নগনি, হকচাংসু নুংঙাইগনি অমদি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি। থেংলপ্না মীয়াম্না থাগৎপিবসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** নীংজবদুমক্না পাংঙমদবা থবক পাঙগনি-মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। অদুবু লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাদ্রদি পুক্লিং ৱাবা লৈগনি। থেংলপ্না কায়নবগী নুংঙাইতবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** লান্দবনা নচাক নরল চাওখৎপা, নক্লবনা থোইনা লুনা খনবীবা নুমিৎনি। নুংঙাইবসু ফংগনি। মহু চাওবনা লান্না পাউথোকপিবা লৈগনি -মীতোপ থাজবা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** পুক্লিং ফাথনা অমদি মীয়াম পুন্দনা লৈবা ফগনি। তঙাইফদ্রদি চেকশিন্না চৎপা ফৈ-নত্রদি লন মাঙগনি। ফিংবা/অশাওবনা য়েক্লগনি, ইচঙ থৌবসু মতাং চারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** নীংবা শোয়দনা থুংগনি, অঙম্বনা ওইজবা ফংহনগনি, মরুপ মপাংনা থাগৎপিগনি অমদি ঙাং-শকপা হৈগনি। অয়েৎপা অমদি অফা-অপুন কোকচগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# মীৱাকচিং

## থৱান





ঈশৈনা শৈরেংনা চাবা য়ারবরা মরুপ। অমুক্তংদি হোৎনরগা য়েংঙু, হিংবসি শাথিনা অরুবনি।